ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পাঙথোকপা রিথ লেয়িং সিরেমোনিদা ৪৩-অসাম রাইফলসকী মথৌ পাঙথোকপদা থৱায় কৎখ্রবা হবিলদার রাজেন্দর সিংহ পানৱলগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা


লৌশিং পূক্কে : লৈবাক, লৈঙোয় নৎত্রগা... লামায় ২

লামায় ৪ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তুং কোইরোইদবা কুকি...

ইমাগী তম্পাকথকসিদা মথি ফোংলিবা ... লামায় ৫

লামায় ৬ য়েলহৌমী অমদি মীতোপ কনানো ...

কুমজা ২০২৪দা এক্টর বিজয়না শেমখিবা... লামায় ৯

লামায় ১২ নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপঃ গ্রুপ বিগী...


মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী পাউতাক মতুংইন্না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসনা মে ১০ ফাওবা চত্থগদবা ফায়র সেফটি ৱীক ২০২৬ হৌদোকপগী দেমোন্সত্রেশন



Vol. 51, Issue No. 41 মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ লৈবাকপোকপা, কালেনগী ১৮নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO Tuesday, May 05, 2026, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 5.50

## পুদুচেরি, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, টামিল নাদু ১সুং কেরলা এসেমব্লি ইলেক্সনগী রিজল্ট

# বি জে পিনা অমুক্কসু অসামদা লৈঙাক পায়রগনি ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মখূৎতগী ৱেষ্ট বেঙ্গল মুনখ্রে



গৌরব গোগোই



মমতা বেনর্জি



এম কে ষ্টেলিন

### অসাম কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট গৌরব গোগোই, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমসুং টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিন মায়থীহৌরে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাদা তাঙ্কক অমা অমসুং অনীদা মীখল পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন টেরিটরি পুদুচেরি, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, টামিল নাদু অমসুং কেরলা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগী ভোট মশীং ঙসি অয়ূক্তগী থিবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩১ তারকপা ফাওবদা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী ওফিশল ওইনা লাউথোরকখিবা রিজল্টশিংগী মতুংইন্না অসামদা অমুক হন্না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরগনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি অহানবা ওইনা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্তুনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসতগী মুনখ্রে।

ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩১ তারকপা ফাওবদা ফংবা রিজল্টশিংগী মনুংদা লোক সভাদা ওপোজিশনগী দেপ্যুটি লিদরসু ওইবদা নত্তনা অসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা গৌরব গোগোই, মহাক্না মীখল থেংনখিবা জোরহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ হিটেন্দ্রনাঠ গোশ্বামিগী মখূৎতা মায়থীহৌরে। মঙোন্দগী বি জে পিগী মীরেপ অসিনা ভোট ২৩,১৮২ রোম হেন্দুনা মায় পাকখি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অরোইবা রাউন্দগী ভোট মশীং থিবা লোইশিল্লকপদা গৌরব গোগোইনা ভোট ৪৬,২৫৭ ফংলগা হিটেন্দ্রনাঠ গোশ্বামিনা ভোট ৬৯,৪৩৯ ফংখি।

কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখিবা অসামগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা অপূনবা সিট ১২৬কী মনুংদা বি জে পিনা ৬০ ফংলগা কোংগ্রেসনা ২৯ ফংখিবনি। অতোপ্পা পার্টিশিংদনা এ আই য়ু দি এফ-১৬, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

**অসাম (অপূনবা সিট-১২৬)**
**মীখল পাঙথোকখিবা- ১২৩**
বি জে পি - ৮২, কোংগ্রেস - ১৯, বি ও পি এফ-১০, এ জি পি -১০, এ আইয়ু দি এফ-২, আর জে আর দি -২, এ আই টি সী-১

**ৱেষ্ট বেঙ্গল (অপূনবা সিট-২৯৪)**
**মীখল পাঙথোকখিবা- ২৯২**
বি জে পি -২০৬, এ আই টি সী-৮১, কোংগ্রেস-২, এ জে য়ু পি -২, সী পি আই-এম -১, এ আই এস এফ -১

**টামিল নাদু (অপূনবা সিট -২৩৪)**
**মীখল পাঙথোকখিবা- ২২৩**
বি জে পি -১, টি ভি কে -১০৭, দি এম কে-৫৯, এ আই এ দি এম কে-৪৭, কোংগ্রেস-৫, পি এম কে-৪, আই য়ু এম এল -২, সী পি আই-২, ভি সী কে -২, সী পি আই-এম-২, দি এম দি কে-১, এ এম এম কে এম এন কে জেদ-১

**কেরলা (অপূনবা সিট -১৪০)**
**মীখল পাঙথোকখিবা- ১২৬**
বি জে পি-৩, কোংগ্রেস-৬৩, সী পি আই -এম-২৬, আই য়ু এম এল-২২, সী পি আই-৮, কেরলা কোংগ্রেস-৭, আর এস পি -৩, আর জে দি -১, আর এম পি-১, কেরলা কোংগ্রেস (জে)-১, সী এম পি কে এস সী -১, ইন্দিপেন্দেন্ট -৪

**পুদুচেরি (অপূনবা সিট ৩০)**
**মীখল পাঙথোকখিবা- ৩০**
বি জে পি-৪, এ আই এন আর সী-১২, দি এম কে-৫, টি ভি কে-২, কোংগ্রেস -১, এল জে কে -১, এ আই দি এম কে-১, এন ৱাই এম কে-১, ইন্দিপেন্দেন্ট-৩

## লিতানলোমগী লান লোইদ্রি : রিঙ্গুই খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদা ভিলেজ ভোলন্টিয়র ৬ শোক্লে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী থাদা লিতান পুলিস ষ্টেশনগা নক্লনা লৈবা লিতান কৈথেলগী মফম অমদা ফূরুপ অনীগী খুঞ্জা মশেলগী মরক্তা থোকখিবা খৎনচৈনবা থৌদোক্লা ৱাহৌ ওইরগা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা নাকল অনীগী নোংমৈ অমসুং বোম শীজিন্নবা লানগী মখা তারকপদা ঙসিসু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এল এম ব্লোক হায়রগসু খঙনবা লুংচোং মৈফাই ব্লোককী মনুং চনবা লুংচোং মৈফাই পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরিবা রিঙ্গুই খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌরকপদা খুল অসিবু ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লিবা ভিলেজ ভোলন্টিয়র ৬ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকখ্রিবা রিঙ্গুই খুল অসি লুংচোং মৈফাই পুলিস ষ্টেশনদগী খারোমদা কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্পা লৈবনি হায়রি।

খুল অসিগী খুঞ্জাশিং তম্না থংননা লৈবা সোংফেল কুকি খুললোমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ শীজিন্নদুনা এটেক তৌরকখিবনি হায়রি।



কুকি টেররিষ্টশিংগী এটেক মায়োক্লখিবা রিঙ্গুই ভিলেজ (ফাইল ফোটো)

কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা এটেক চত্থরকপদগী খুল অসিবু ঙাক-শেনবগী থৌদাং লৌরক্লিবা ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংগী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অসিদা খুল অসিগী ভিলেজ ভোলন্টিয়র ৬ নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। শোক্লবশিংদি তসার খুলদগী থেমজাম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চহী ৬৩শুরবী নুপী ১ মশাগী ময়ূমদা মীহাৎ থীনা হাৎলগা শেল অমসুং সনা লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদগী য়ূমগী নুপী খরবু মশাগী ময়ূমদা অমসুং ময়ূমদগী কৌথোক্লগা মীহাৎ থীনা হাৎলম্বগী থৌদোকশিং থোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎতুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীননবা ৱায়েল চত্থহনবা ঙমদনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মশাগী চহী ৬৩শুরবী নুপী অমসু ময়ূমমক্তদা শকখঙদবশিংনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরবা মতুংদা মহাক্কী শেল, সনা অমসুং ইমুংগী মমল য়াম্বা পোৎলমশিং লৌখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গমনোম সপরমৈনা পুলিসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা চারহজারগী য়ূম অমদা থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মমিং পুস্পা (৬৩)



মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্লবী পুস্পা (৬৩)না শিরগা লৈরম্বা

কৌই। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই দি পি প্রেমজিৎনা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে



**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মীচম হাৎপগী থৌওংশিং চত্থরক্লিবা অসি কুকি খূৎলায় পায়বশিংননি অমসুং মখোয় অসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা থাদোকপনি হায়রদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবীয়ু অমসুং কুকি মিলিটেন্টশিংবু লাকশিনবীয়ু হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা ঙসিদগী আই দি পি ৱাংজম প্রেমজিৎনা শিদ্রিবা ফাওবা চরা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মৈ ফংলোই

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর (তাকয়েল সব-দিভিজন), য়ুরেম্বমগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমদা হয়েং অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা য়ুরেম্বম সব ষ্টেশনদগী টিদ্দিম-১ ফিদ্দরনা মৈ পীবা থাওরোইজম, সলাম, লুকের, লৈতোং, হাওরং কৈরেল, মাল্লংনচিংবদা ঐচ টি কোভর কন্দক্টরকী ষ্ট্রিঙ্গিংনা মরম ওইরদুনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়রি।

### লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী থৌপুবশিং শিন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : মাহুদ দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না বোর্দ অসিগী থৌপুনবগীদমক খল্লবশিংদি চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ (প্রসিদেন্ট), ভাইস প্রসিদেন্টশিংদা এম এল এ, এল রামেশ্বর মীতৈ অমসুং চনম শন্দ্রোক মনীং লৈকায়দগী চনম নবচন্দ্র মৈতৈ, ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দগী সন্ধাম গন্ধরাজ (মেম্বর সেক্রেটরি), মেম্বরশিংদা শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দগী পোৎশংবম তোম্বা, অরাপতি অৱাং লৈকায়দগী কোন্থৌজম নন্দ, হরাওরৌদগী থাংজম সঞ্জয়, শগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী ঙাঙোম সুরচন্দ্র মৈতৈ, ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দগী কোইজম সমজয়, চন্দ্রখোং মথক লৈকায়দগী খাঙেম্বম তোম্বনি। অদুগা এক্স ওফিসিও মেম্বরনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## বি জে পিনা অসাম ১সুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চাউনা মায় পাক্লকপদা থম্বাল শঙলেনদা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

# মণিপুরগী এসেমব্লি মীখলদসু শোয়দনা মমি তাগনি : খেমচান্দ

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাদা য়ুনিয়ন টেরিটরি পুদুচেরি য়াওনা অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরলা অমসুং টামিল নাদুগী পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগী ভোট মশীং ঙসি অয়ূক্তগী হৌরদুনা থিরকপদা মীখল পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা অমসুং ষ্টেট মরি পূন্না মফম মঙাগী মনুংদা অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লকপদা মণিপুরদসু বি জে পি



মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টি অসিগী থম্বাল শঙলেনদা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে।

হরাওবা ফোঙদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ অমসুং হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, পার্টি প্রসিদেন্ট এ শর্দা, এম এল এশিং অমসুং পার্টিগী থৌপুবশিংনা শরুক য়াখি।

বি জে পিনা মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেট অনীসিদা চাউনা মায় পাক্লকখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা পাউমীশিংদা হায়, ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইনা ভোটতা মায় পাক্লকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা অমনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পার্টি অসিনা চাউনা মায় পাক্লকখিবা অসিগীদমক ষ্টেট অদুগী মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

অমরোমদা, অসামদসু ...মখা লমায় ৮ কলম ১

# বৃটিশকী মখাদা লৈরম্বা মণিপুর কুমজা ১৯৪৭তা নীংতম্লগা ১৯৪৯দা ইন্দিয়াদা তিনখিবনি : শান্ত



**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** মর্জর এগ্রীমেন্টকা কুমজা ১৯৩৫দা ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া লৈরম্মী হায়বসিগগী মতাংদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ভাইরেল ওইরকপসিনা মীয়ামদা চম্নবা অমা লাক্লে হায়না ১৪-সী এস ও কংলৈপাককী কনভিনর এন শান্তনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর অসি নীংতম্বা লৈবাক ওইরম্লা নৎত্রগা ওইরমদব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লে হায়রদুনা বৃটিশকী মখাদা লৈরম্বদগী ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোকনা মীচম হাৎপশিং চৈরাক পীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** ইম্ফালগী লাইফম খুনৌদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ জ্ঞানেশ্বরনা খূৎয়েক পীদুনা গভর্ণর এ কে ভল্লাগী খূত্থাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পূন্না লমায় ৩ পানবা মেমোরেন্দম অমা ঙসি পীশিনখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম অসিনা দিসেম্বর ২১,২০২৪দা মণিপুরগী ফীভমশিংগী মতাংদা গভর্ণরগী খূত্থাংদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুবুসু নৌহৌননা নীংশিংলদুনা মে ৩,২০২৩দগী চত্থরক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তবনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং ময়েক শেংনা পনখি। লোয়ননা মণিপুরদা টেররিষ্টশিংনা চত্থরক্লিবা থবক থৌওংশিং অকক্লবা মতমগী মনুংদা লেপহনগনি হায়বগী থাজবা অইবা চেরোল অমা প্রাইম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# থৱায় হিংনবা মোরেগা তাইনবা ম্যান্মারদা চেনশিন্দুনা লোৎখি নোংমগী লুপা ১০০ পীরিবা অসিনা হিংবা য়াবা নত্তে : তোম্বী

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোরে তুরেল ৱাংমা ৱার্দ নম্বর ৭তগী খুঞ্জা**

(হান্নগী মখা...)

মে ৩,২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান হৌরকখ্রবসু ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী নুংশি-চান্নবা অমসুং ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্দনা থল্লকপদগী থা অসিগী ৩দা চহী ৩ মপূং ফাখিবগা ইরোয়ননা পাউচে অসিনা মোরে তুরেল ৱাংমা ৱার্দ নম্বর ৭তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৭০ শুরবী নিংথৌজম তোম্বী, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এন ইবোহলগা হকথেংননা উন্নরুবদা মহাক্না হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ (মে ৩,২০২৩) তদি মোরেগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবগী মুক্না শান্নগদবা নুমিৎনি। লাই হরাওবদা শরুক য়ানবগীদমক পোৎ পুদুনা চৎনবা মীয়াম য়েংগে হায়দুনা তৌরিঙৈগী তাল্লক্তা অঙাং অমনা ঈরাং হৌরক্লে, য়ূম মৈ থানরে হায়দুনা থৌদোকশিং অসি মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা থাগৎনরকপা ভিদিওদা উরে হায়না পাউ তল্লকখি।

মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লবসু ঐনদি অদুগুম্বশিং অদু য়েংলুনু মোরেদদি করিসু তৌরোই হায়খি। অদুবু ঙাইহাক লৈরগদি কুকি নহাশিংনা ওটোরিক্সোনচিংবা য়াওনা গাড়ীশিংদা তোংদুনা লাকপা উখি। মখোয়না লাকখিবগা পম্বদনা মোরেদা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থারে হায়বগী পাউ তাবা হৌরকখি। ফীভম অদুদগী ঐখোয়সু তৌফম খঙদদুনা ইশাগী য়ূমদা চঙশিল্লক্তুনা ইশুশিং কোল্লগা কপ্তুনা লৈখি। থৱায় হিংনবগীদমক চেনবা তারবসু কদোমদা চেনগদগে হায়দুনা খনখি।

ঐহাক্কী য়ূম লৈরিবা মফম অদুনা মোরে কৈথেলদগী মনুং খরা চঙশিনবা ওইবনিনা ঐহাক ইশুশিংগা লোয়ননা কদোমদা চেনগদগে হায়বা খঙখিদে। মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরক্লবসু মোরেদা লৈবা ময়াং অমসুং মীতৈ পাঙলশিংগী য়ূমদি মৈ থাবা য়াওদবনিনা মখোয়গী ইমুংশিংদা চেনশিন্দুনা লোৎলুরসি হায়না খন্নখি।

ঐহাক্কী ইচা পূন্না মঙানি। ইচানুপীশিংদি ময়ূম-মকৈ পানখ্রে। ইচানুপাশিংসু মখোয়-মখোয়না থোকপা চেনবা হৌনখ্রে। নুমিদাং অদুদা ঐহাক করি তৌসিগে হায়দুনা খল্লবা মতুংদা ময়াংশিংগা মীতৈ পাঙলশিংগগী য়ূমদা চেনশিল্লগে হায়দুনা চপ য়ুংনা খন্দুনা চঙশিল্লগা নুমিদাং অদুমা লেনখি। (মথং-মথং)

## রিমসনা ফমুং লৈতে হায়দুনা মৈনা চিংবদগী শোক্লবা মহৈরোয় ১ এদমিট তৌদবগী মায়োক্তা কম্মিশনননা দিরেক্সন পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** ইলেক্ট্রিকনা চিংবদগী শোক্লবা ক্লাস নাইন তম্লিবা নুপামচা মহৈরোয় অমবু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়েংলম্বদগী রিমসতা রিফর তৌরক্লবসু ইন্সটিট্যুট অসিদা ফমুং ফংদে হায়দুনা এদমিট তৌদবগী মায়োক্তা মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না ঙসি রিমসতা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা অঙাং অসিগী লায়েংবদা অমসুং তেংবাঙবদা চঙবা শেনফমশিং পুথোক্লবা মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) দা দিরেক্সন পীখ্রে।

**রিমসতা পুং ৪৮গী মনুংদা নুপামচা অসিগী মেদিকেল ষ্টেটস রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লায়েংবদা চঙবা শেলশিং পুথোক্লবা এম এস পি সী এলদা খঙহনখ্রে**

দিরেক্সন অসি ঙসি কম্মিশন অসিগী চেয়রপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা রিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরদা পীখিবগা লোয়ননা দিরেক্সনগী চেরোল অসিগী কোপিশিংনা উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং লৈঙাক্কী সোশল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী দিরেক্টরদসু পীখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চহী ১২ শুদ্রিবী মনাওনুপাগী মচানুপীবু নোংমৈনা কিহল্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মীওই কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৯দা পোকমিন্নবা লৈখিদ্রবা মনাওনুপাগী মশাগী চহী ১২ শুদ্রিবী মচানুপীবু থেঙ্খাং খরদা নোংমৈ উৎতুনা কিহল্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফারবা মতুংদা ৱায়েল চত্থরকখিবা মীওই অমা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর টু, মণিপুরগী জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈগী কোর্টনা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অসিগী মমিং নাওরেম বিশম্ভোর (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন ইবোথেম কৌই, খোংজোম পি এসকী মনুং চনবা তেন্থা খুঞ্জাওদগীনি হায়রি।

কোর্ট অসিনা ঙসি পীখিবা পূন্না লমায় ১৩০ পানবা জজমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫